# ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন : অন সীদেদ মার্টন্সনা ব্ৰল্ড নম্বর ফোর ইলিনা ইসভিটোলিনা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে





মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সি) : অন সীদেদ ইলিস মার্টন্সনা ব্ৰল্ড নম্বর ফোর ইলিনা ইসভিটোলিনাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীরল্লগা অহানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

কুমজা ২০১২গী মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা বেলজিয়ম অসি ইলিসা মার্টন্সনা ওইখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙসি বেলজিয়ন এলিসা মার্টন্স অমসুং যুক্রেনিয়ন ইলিনা ইসভিটোলিনা শান্নখিবনি। থা অসিদা হোবার্দতা মেচ ১০ মায়থীবা নংদনা লাকখিবা মার্টন্সনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মমিং লৈরবা ইলিনা ইসভিটোলিনাবু ৬-৪, ৬-০দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। পুং ১গা মিনিট ১৩ রোম চুপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা সেটকী অহুমশুবা গেমদা ইসভিটো-লিনাগী সার্বপু ব্রেক তৌখি। মসিগী মতুংদা অমুক হন্না ইসভিটোলিনাগী সর্ব অমগসু ব্রেক তৌখিবদগী ৫-২দা মাঙজিল থাখি। অদুগা অহানবা সেট অদু মার্টন্সনা ৬-৪দা মায় পাক্তুনা সেট ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা সেট হৌরকপদা ইসভিটোলিনা খুদোংথিবা নংবগী ফীভমদা লৈখি। গেম মঙা শান্নবগী মনুংদা গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমখিবনা মার্টন্সনা ৫-০দা মাঙজিল থারগা অনীশুবা সেটসু মাঙজিল থারগা চৎখি। অদুগা সেট অদু লোইশিল্লকপদা ৬-০দা সেট অদুসু মায় পাকখিবনি। মেচ অদু মায় পাল্লবা মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা এলিস মার্টন্না হায়খি, ঐহাক করি হায়গদবনো হায়বা খনফম খঙদ্রে। ঙসিদি অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই। ঐহাক্কা ঙসিদি গেম অদু ঐহাক্কী লৈজবী থাদুনা মায় পাক্লবসু শান্নখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মেন্স সিঙ্গলসতনা গ্রিগোর দিমিত্রোবপু মায়থীবা পীরল্লগা কাইল ইদমুন্দ ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। ক্বার্টর ফাইনেলদা ঙসি বৃটিশ টেনিস প্লেয়র কাইল ইদমুন্দ অমসুং বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোব শান্নখিবনি। মেচ অদুদা কাইল ইদমুন্দনা গ্রিগোর দিমিত্রোবপু ৬-৪, ৩-৬, ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্টকী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি দিমিত্রোবপু মায়থীবা পীরল্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লাম টাইটলগীদমক সেমী ফাইনেল য়ৌশিনখ্রবা ইদমুন্দনা হায়খি, মালেমগী খ্বাইদগী মমিং লৈবা টুর্নামেন্ট অমগী অরোইবা ষ্টেজতা চঙশিনবা ঙম্বা হায়বসি অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই। অসিগুম্বা মায় পাকপগী নুংঙাইবা অসি মখা তানা অদুমক চত্থনবা হোৎনগনি। মেচ অদু মায় পাক্ল নবা য়াম্না ফজনা শান্নখি খল্লি অমদি মেচ অদুদা মায় পাকখিবা অসি নীংশিংনীংঙাই ওইহৌরগনি হায়নসু মহাক্কা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ২০১৮ ব্রিসবেন ইন্টরনেসনলগী ক্বার্টর ফাইনেল য়াওনা ইদমুনবু অনীরক হন্না দিমিত্রোবনা মায়থীবা পীরমখিবা অদুগী লমন খুন্না মেচ হায়বদু ঙসিগী মেচ অদুদা ওইখ্রে। মেচ অসি মায় পাল্লবা মতুংদা মশাগী চহী ২৩খক্তা ঙাইরিবা ইদমুন্না এ টি পি রেঙ্কিংসকী টোপ ৩০গী মনুংদা অহানবা ওইনা চনবা ঙমখ্রে।

## রোহন বোপান্না অমসুং টিমিয়া বাবুস মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্না অমসুং মহাক্কী হঙ্গেরিয়ন পার্টনর টিমিয়া বাবুস ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী প্রী ক্বার্টরদা ঙসি রোহন বোপান্না অমসুং টিমিয়া বাবুসনা যু এসকী ভানিয়া কিং অমসুং ক্রোসিয়াগী ফ্রেঙ্কো স্কুগোসকী জুরাগা শান্নখি। মঙাশুবা সীদতা লৈরিবা বোপান্না অমসুং বাবুসকী জুরানা বার্নিয়া কিং অমসুং ফ্রেঙ্গো স্কুগোসকী জুরাবু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

পুং ১ খরা হেন্না শান্নখিবা মেচ অদুগী ওপনিং সেটকী অহুমশুবা গেমদা বোপান্না অমসুং বাবুসনা ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ২-১দা মাঙজিল থারগা চৎখি। অদুগা ওপনিং সেট অদু ৬-৪দা মায় পাক্তুনা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটকী মঙাশুবা গেমদা বোপান্না অমসুং বাবুসনা স্কুগোসকী সর্ব ব্রেক তৌদুনা গেম অদু ৩-২দা মাঙজিল থাখি। অদুগা ৮শুবা গেমদসু স্কুগোসকী সার্বিস অমুকখক ব্রেক তৌদুনা গেম অদু ৫-৩দা মাঙজিল থাহল্লগা মেচ অদু মায় পাকহনখিবনি।

মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা রোহন বোপান্না অমসুং টিমিয়া বাবুসনা অন সীদেদ জুরা ওইরিবা কলম্বিয়াগী জুআন সিবাষ্টিয়ান কেবেল অমসুং অমেরিকান অবিগেল স্পিরিসকী জুরাগা থেঙ্নাইনরগনি।

মেন্স দবলসকী কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস, পুরপ রাজা, দিবিস সরন অমসুং বোপান্না অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখ্রবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৪

১) কুমজা ২০১৭কী মতমদা সেরেনা ৱিল্লিয়ম অঙাং উনবগীদমক টেনিস শান্নবদা শরুক য়াখিদে। মহাক্কুম্না শান্নরোয় অমসু চহী অসিদা অঙাং উনবদগী টেনিস শান্নবদা শরুক য়াবা ঙমখিদে, মহাক কনানো?

২) এস এস য়ুগী মোনিকা অমসুং চন্দ্রজিনি, ইষ্টর্ন স্পোর্টিংগী দেবজানি অমসুং মনাও দেবী, দি এম কোলেজগী গৌরিকুমারী দেবী ষ্টেট অসিগী মমিং লৈবী লমজেল চেনবীনি। মখোয়গী মনুংদা অমদি লমজেল চেনবগী মথক্তা মশান্না অমদা মমিং চৎপীনি। মহাক্কী মমিং অমসুং মশান্না (দিসিপ্লিন) অদু করিনো?

৩) খুমনগী হাওখোং সিনাইখু কৌবা অকনবা নিপা অমগা মৈতৈগী অকনবা অমগা 'চায়নবদা' মৈতৈগী অকনবা অদুনা তা হান্না লংখি। মদুদা হাওখোং সিনাইখুদা পানবা ঙমখিদে, হাওখোং সিনাইখুনা তা লংলকপা মতমদদি মৈতৈ অথৌবা অদুগী মফৈগন্দা পানখি। চৎনবী মতুং ইন্না মহাক্কী মঙক অদু কক্কদবনি। অদুবু মৈতৈ অদুনা হায়জবদগী মঙক্তি ককপীখিদে। মৈতৈ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈদা ওলেম্পিয়াদা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্লিঙৈদা গ্রিসকী ৱা ঙাঙবা হৈবা নুপা লুচিংবা অমনা তিল্লিবা মীয়াম অদুদা গ্রিসতা পারসিয়ানা লান তারক্ক-দৌরে। মরম অদুনা স্পার্টানা কংফালদা অমদি এথেন্সনা ঈশিংদা লমজিংদুনা পারসিয়াবু থিংগদবনি হায়না মীয়াম মাঙদা ৱা ঙাঙখিবা মীশক অদু কনানো?



৫) পীরিবা শক্তম অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লা লীগা : আইবরনা অরোইবা মফমদা লৈরিবা মালাগা দ্রো চৎখ্রে



আইবর, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সি) : স্পেনিস লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা যূম্বু ওইরিবা আইবরনা পোইন্ট টেল্লিগী অরোইবা মফমদা লৈরিবা মলাগাগা দ্রো চৎখ্রে।

নিপানশুবা মফমদা লৈরিবা আইবরগী মায়কৈদগী মেচকী অথেংবা শরুক্তা চনখিবা গোলনা মলাগাগা দ্রো চৎখিবনি। অহানবা হাফকী ১৫শুবা মিনিটতা য়ুসেফ ইন নেচরিনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মলাগানা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাখিবনি। মলাগানা মাঙজিল থারিবা গোল অদু অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা যূম্বু ওইখিবা আইবরনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৫৫শুবা মিনিটতা অমুক মলাগানা অতোপ্পা গোল অমগা চনবগী খুদোংচাবা ফংখি। অদুমকপু খুদোংচাবা অদু নাম্থোক্তুনা চৎখি। মেচকী ৭৫শুবা মিনিটতা কাইকি গার্সিয়ানা গোল অমা চন্দুনা মলাগাগী গোল অদু হন্দোকখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী আইবর অমসুং মলাগা গোল ১-১দা দ্রো চৎখিবনি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগ : খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা স্বানসিগী মখূৎতা মায়থীবা নংবদগী লিভরপুল নীংবা কায়খ্রে



স্বানসি, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সি) : ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী হৌখিবা চয়োলদা শান্নখিবা মেচতা অহানবা ওইনা মাঞ্চেষ্টর সিটিনা মায়থীবা নংখ্রবা মতুংদা পোইন্ট টেল্লিগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা স্বানসিগী মখূৎতা মায়থীবা নংবদগী লিভরপুল নীংবা কায়খ্রে।

তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসন-শিংগী মেচ ১৮ মায়থীবা নংদনা লাকখ্রবা লিভরপুলনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা স্বানসিগী মখূৎতা গোল ০-১ দা মায়থীবা নংখিবনি। স্বানসিনা যূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা স্বানসিগী মায়কৈদগী কোর্নর কিক অমা কাওবগী খুদোংচাবা ফংখি। কোর্নর কিক অদু কাওরকপদা লিভরপুলগী দিফেন্দর বিলজিল বানদিকনা হেদ তৌবা য়ারবসু তৌহৌদবদগী লিভরপুল খুদোংথিবা নংগে তৌখি। অদুমকপু লিভরপুলগী সেন্ত্রেল দিফেন্দরনা বোল অদু কাওথোখিবদগী খুদোংথিবা নংহৌখিদে। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা এটেম্প কয়া তৌনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে। অহানবা হাফ লোইরমদাই মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা অলফি মোসন্সনা লিভরপুলগী গোল পোষ্ট তম্না কাওশিনখিবা ফজরবা বোল অদুনা নেট নোমহনখি। গোল অদুনা মেচ অদু যূম্বু ওইরিবা স্বানসিনা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা গোল অদু লিভরপুলগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাফকী লোইরমদাইদগী স্বানসিনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা লিভরপুলগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্নবা চত্থরকখিবা এটেকশিং অদুসু স্বানসিনা অঙম্বা থাক্তা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচকী লোইরমদাই মীকুপ্তা লিভরপুলগী মায়কৈদগী গোল হন্দোকপা য়াবগী তাঞ্জা ফংখি। অদুবু হায়রিবা খুদোংচাবা অদুসু মপূং ফানা লৌবা ঙমহৌখিদবনা লিভরপুলনা মেচ অদু মায়থীবা নংখিবনি। অদুগা অলফি মোসন্সনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা স্বানসিবু গোল ১-০দা মায় পাকহনখি।

মেচ অসি মায় পাকচরবসু স্বানসি অরোইবা মফমদা অদুমক লেংদনা লৈরি। মেচ অসিদা মায়থীবা নংখ্রবা লিভরপুলনা টোটেনহমদগী পোইন্ট ২খক মাঙজিল থারগা ৪শুবা মফমদা লৈরি।

# অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপ : শ্রী লঙ্কানা কেনিয়াবু রন ৩১১দা শাখিনা মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সি) : অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা প্লেট ক্বার্টর ফাইনেলদা শ্রী লঙ্কানা কেনিয়াবু রন ৩৩১দা শাখিনা মায়থীবা পীখ্রে।

শ্রী লঙ্কাগী অন্দর-১৯ টিম অসিনা ফোর্মেট অসিদা শান্নবা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপা অনীশুবা টিম ওইখিবগা লোয়ননা প্লেট সেমী ফাইনেলদা জিম্বাবৱেগা থেংনরগনি। অহানবা ইন্নিংসতা য়াম্না ফজবা মওংদা বেট্টিং তৌখিবা শ্রী লঙ্কানা ৱিকেট মরি তুরগা রন ৪১৯ লৌদুনা শ্রী লঙ্কাগী পুৱারীদা অন্দর-১৯ টিম্না খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা মেচ অমা ওইহনখ্রে।

শ্রী লঙ্কাগী বেটসমেন হসিথা বোয়াগাদোনা রন ১৯১, নিশান মদুস্কানা রন ৬০ অমসুং কামিন্দু মেন্দিসনা রন ৫৩ লৌখিবা অদুনা শ্রী লঙ্কানা মশীং য়াম্লবা রন অদু লৌবা ঙমখিবনি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কেনিয়ানা ওল আউট ওইরগা রন ১০৮ খক লৌদুনা মায়থীহৌখিবনি। শ্রী লঙ্কাগী বুদিলানা ৱিকেট ৪ অমসুং নিপুন মালিঙ্গানা ৱিকেট ৩ লৌখিবনি।

অনীশুবা মেচতনা ৱেষ্ট ইন্দিজনা আয়রলেন্দবু ৱিকেট ৪দা মায়থীবা পীখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৭৮ লৌখি। য়াদ্রান্না রন ৫৩, ইমানুয়েল ইষ্টিৱার্দনা রন ৫০, নয়িন য়ংনা রন নোট আউট ওইরগা রন ৫৫ অমসুং ক্রিষ্টান কালিচরন্না রন ৪৬ লৌবা ঙখিবনা মেচ অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী সট্টলর অমত্তনা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরসকী ক্বালিফাইয়িং ষ্টেজ লাম্থোক্লগা চৎপা ঙমদ্রি



জাকার্টা, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী সট্টলর অমত্তনা দোল্লর ৩৫০,০০০গী ৱর্ল্ড টুর সুপর সেরিজ ৫০০ টুর্নামেন্ট ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরসকী ক্বালিফাইয়িং ষ্টেজ লাম্থোক্লগা চৎপা ঙমদ্রি।

ইন্দোনেসিয়া মাষ্টরসকী মেন্স সিঙ্গলস ক্বালিফায়রসকী অহানবা মেচতা ইন্দয়াগী অভিসেক য়েলিগরনা ইন্দোনেসিয়াগী বেগা ভিয়ো নিরৱান্দাগা শান্নখি। মেচ অদুদা অভিসেক য়েলিগরনা বেগা ভিয়ো নিরৱান্দাগী মখূৎতা ২০-২২, ১৪-২১দা মায়থীবা নংখি। অতোপ্পা মেচ অমদনা ইন্দিয়াগী সুভাঙ্কর দে অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী লোকল প্লেয়র পাঞ্জি অহম্মদ মৌলানাগা শান্নখি। মেচ অদুদা সুভাঙ্কর দেনা পাঞ্জি অহম্মদ মৌলানাগী মখূৎতা ৯-১২, ২১-২৩দা মায়থীবা নংখিবনি।

ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ক্বালিফাইয়রস মেচতনা ইন্দিয়াগী কৃষ্ণপ্রিয়া মালেসিয়াগী গোন জিন ৱৈগী মখূৎতা ৭-২১, ৯-২১দা মায়থীবা নংখি। মেন্স দবলসতনা ইন্দিয়াগী কাপিল চৌধুরি অমসুং ব্রিজেয় য়াদবকী জুরা ইন্দোনেসিয়ন কোম্বো সর্বর করিয়ামন গুটামা অমসুং ফ্রেঙ্কি ৱিজায়া পুত্রগী মখূৎতা ১২-২১, ৮-২১দা মায়থীবা নংখি। অদুমকপু কম্মনৱেলথ গেমসকী চেম্পিয়ন ওইরিবা পারুপালি কাস্যপতি ম্যেন দ্রোদা চঙখ্রে। মহাক্না ম্যেন দ্রোগী মেচতা মলেসিয়াগী ৱৈ ফেং চোংগা হয়েং শান্নরগনি।

# ফোর নেসন্স হোকি : ইন্দিয়ানা অনীশুবা লেগতা ন্যুজিলেন্দগা ঙসি শান্নরগনি



হেমিলটন, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সি) : ফোর নেসন্স ইনভিটেস্নেল হোকি টুর্নামেন্টকী অহানবা লেগতা বেলজিয়মগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবা অদু তুংওইনরল্লগা ইন্দিয়ানা অনীশুবা লেগতা হয়েং ন্যুজিলেন্দগা শান্নরগনি।

লৈবাক মরিগী ওইবা ইনভিটেস্নেল হোকি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা লেগকী হৌরকপদা ইন্দিয়ানা জপানবু ৬-০দা মায়থীবা পীরল্লবা মতুং মথংগী মেচতা বেলজিয়মগী মখূৎতা ২-০দা মায়থীখিবনি। বেলজিয়মবু ৫-৪দা মায়থীবা পীরমখিবা যূম্বু ওইরিবা ন্যুজিলেন্দবু ইন্দিয়ানা ৩-১দা মায়থীবা পীরল্লগা ইন্দিয়া অহানবা লেগকী ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ইন্দিয়ানা পুল টেবলদা গোল ৯ চল্লগা পুল টেবলদা মকোক্তা লৈখিবনি। হয়েং অনীশুবা লেগকী শান্নগদৌরিবা মেচ অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না বেলজিয়মগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবগী নুংঙাইতবা অদু কোকহন্ননবা শান্নরক্কদৌরি।

অনীশুবা লেগকী মেচ অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়ন মেন্স হোকি টিমগী চীফ কোচ সর্জোট মারিজানেনা হায়খি, টিম অমা ওইনা ঐখোয়না মেচ খুদিংগী তপ্না তপ্না ফগৎলক্লি। ইন্দিয়ন টিম অসিনা নহা ওইরিবা শান্নরোয় মরি য়াওরি। মখোয়শিংগী মরক্তগী গোল চনবা ফাওবা য়াওরক্তুনা মশা মশাবু মশক তাক্লবা হোৎনরক্লিবা অসি অফবা অমনি।

অহানবা লেগকী ফাইনেল মেচ অদুদা ওলেম্পিক্কী শিলভর মেদলিষ্ট বেলজিয়মবু মায়থীবা পীরম্বা য়াবগী ফীভম নক্না লৈরুরবনি। অদুমকপু বেলজিয়মগী টিমদা লৈখিবা কনফিদেন্স অদুনা মখোয় মায় পাকখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম্না অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখিবা মেচ অদুদা গোল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রবসু টিম অসিগী ওইনদি রিজল্ট অদু পোজিটিভনি হায়না লৌই।

বেলজিয়মগী ওইনদি টুর্নামেন্ট অসিদা মখোয়গী মপূং ফাবা স্কাদ অদু শান্নরি অমদি মখোয় মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা টিমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। মখোয়গা থেংনদুনা শান্নবা হায়বসি ইন্দিয়ন টিমগী ওইনদি অচৌবা ষ্টেপ অমা মাঙলোমদা চঙশিনবনি হায়না লৌই। ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনসু কনফিদেন্স অমগা লোয়ননা য়াম্না ফজনা শান্নরি। টিম অসি তপ্না তপ্না ফগৎলক্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন টিমগী স্কিপর মনপ্রীট সিংহনা হায়খি, টিম অসিনা হান্নদগী হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। বেলজিয়মগা শান্নখিবা মেচতা ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবা অদুনা মখা তাবা মেচশিংদসু ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমগনি হায়বগী কনফিদেন্স অদু লৈরি। অফবা টিমশিংগা শান্নবদা মায় পাকপা ঙল্লবদি নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদসু অচৌবা থৌনা অমা শোয়দনা হাপকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

HL-B/4352/19/1-18-2

